**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19.6.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১৯-০৬-২০২৪, য়ুমশকৈশ)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ক্ষেত্রিময়ুম চিত্রভানুনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ৱার্কস মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি- রাজ্য অসিগী ইরাং থোক্কনবনি হায়বা মফম ৫৫ রোমদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থমদুনা ইরাং লাকশিন্নবা হোৎনরি।

২) রাজ্য অসিগী ৱাখলোন মান্নবা রাজনিতি দল ১০ গী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নদুনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

৩) হকশেলগী মন্ত্রি ডা: সাপম রঞ্জননা হায়রি--লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিংদা হকচাংদা অমাংবা পীবা রাসাইনগী হারশিং শিজিন্নব্র হায়বদু য়েংশিনবগী তঙাই ফদবা লৈ।

৪) লৈবাক অসিগী রাজ্যশিংগী মনুংদা মনিপ্রনা হিদাক মনা খ্বাইদগী শিজিন্নবা ৩ শুবা রাজ্য ওইরে।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি -গ্যান লৌশিংতনা ভারতপু ইং ২০৪৭ তা মপুং ফানা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**বি.জে.পি (এল)ঃ** বি.জে.পিনা হায়রি- এন.দি.এ সরকারগী অহুম শুবা টার্মগী হন্দ্রেদ ডেজ কী এক্সন প্লানদা মণিপুর মঙাসুবা লিষ্টতা য়াওরে। মরম অদুনা প্রাইম ওফিসনা মনিপুরগীদমক্তা অখন্নবা থবক খরা পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ইম্ফালদা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং ৱার্কস মন্ত্রি গোবিনদাস কৌন্থৌজমনা হায়- কেন্দ্রদা বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকার অহুমরক শুবা ওইনা লাকপা অসিনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মহাকা হায়-থা অসিগী ৬ তা খঙহৌদনা জিরিবামদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা জিলা অদুদা শন্তি হঞ্জিলহল্লকবা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। ইরাং থোক্লিবা জিলা অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন চৎন্নবা মাঙজোননা সেক্যুরিতি থাবদা থা অসিগী ১০ কোটলেন্দা খুৎলায় পায়বশিংনা এতেক তৌরকখিবা অদু লাইবক থীবনি অমদি মদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। মন্ত্রিনা হায়-অসিগুম্বা থৌওং অসি লমদম অসিদা শান্তি পামদবা কাংবু অমনা চত্থরকপনি।

শ্রী গোবিন্দাসনা হায়রি- মণিপুরগী ইরাং থোক্কনবনি হায়বা মফম ৫৫ রোমদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থমদুনা ইরাং লাকশিন্নবা হোৎনরি। মনিপুরগী ইরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা মখা তানা ইরাং শাংদোকবা হোৎনবগী থৌশিল লৈরব্রা হায়বসি চীংন্নীংঙাইনি । মীয়ামা মসি মুন্না খঙদোক্তুনা অচুম অরান থীদোক্তুনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা হোৎনবগী মতম ওইরে। মন্ত্রিনা হায়- মীয়ামা সোসিয়েল মেদিয়াগী খুত্থাংদা মশাগা নত্রগা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌননবা পোস্তশিং পংথা থাগৎপগী চৎনবি অসি তৌদবনা হেন্না ফগনি।

হৌজিক রাজ্য অসিগী ওইরিবা ফীভম অসিদা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুন্সিন্দুনা থবক তৌবা হায়বসি য়ামমক তঙাই ফদে। মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক পেট্রোলিয়মগী পোত্থোক মরাং কায়না লৈরি। সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং হেননা কনখৎহন্দুনা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং পুশিল্লকবা হোৎনরি। জিরিবামদা পন্দুনা লৈরিবা ওইল তেঙ্কর অমদি এল.পি.জি তেঙ্করশিং ইম্ফালদা পুশিল্লকবগী মতাংদা ঙসি মীফম পাঙথোক্কনি।

**--সাউন্দ গোবিন্দাস--**

**মেমোরেন্দম(এল)ঃ** কংগ্রেস, জে.দি.য়ু,সি.পি.আই য়াওনা রাজ্য অসিগী ৱাখলোন মান্নবা রাজনিতি দল ১০গী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে উন্নদুনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা জিরিবাম জিলাগী খুলশিংদা রাজ্যগী সেক্যুরিতি পরসনেলশিং অথুবামতমদা থমদুনা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিলহনবা, নেসনেল হায়ৱে অনিমক্তা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা লৈহন্দনা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুশিলহনবা অমসুং রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারনা মনিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি অথুবদা লোইশিনবিদুনা তংদ্রু লৈতাবা পুরকউ হায়বা ৱাফমশিং য়াওরি। রাজ্যপালগা উন্নবদা শরুক য়াখিবা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ত কে.মেঘাচন্দ্রনা হায়- মীহুৎ কাংবু অসিনা থমখিবা ৱাফমশিং রাজ্যপালনা তারবা মতুংদা অথুবা মতমদা থবক খরা পায়খৎলবা য়াই হায়না ফোংদোরকখি হায়রি । মহাকা হায়-

**--সাউন্দ মেঘাচন্দ্র--**

**রঞ্জন(এল)ঃ** হকশেলগী মন্ত্রি ডা: সাপম রঞ্জননা হায়- পোৎয়ান তৌবা অমদি চাবদা হকচাং শোকপা চিঞ্জাকশিংনা মীওইবদা লায়না ২০০ রোম হেননা নাহল্লি। মরম অদুনা হকচাং ফগদবা অমদি মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবগী তঙাই ফদবা লৈ।

সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভার্সিতিগী হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড ফুদ সেফতি দেগী থৌরমদা ৱাফম অসি হকশেল মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- নুমিৎ অসি পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। মহাকা হায়- হকশেল বিভাগনা মীয়ামদা অফবা অমদি মচি ওইবা চিঞ্জাক চাহন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

রাজ্য অসিদা হন্দক থোকখিবা ঈচাউনা অমাং অতা থোকখ্রবা গ্রোসারিগী পোৎলমশিং মীয়ামদা য়োনদনবা দিপার্টমেন্ত ওফ ফুদ সেফতিনা য়েংশিনবগী থবক চথখ্রে। মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা হায়বসি নাগারিক অমগী ফংফম থোকপা হকনি হায়না ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং অদুদা হকচাংদা অমাংবা পীবা রাসাইনগী হারশিং শিজিন্নব্র হায়বদু য়েংশিনবগী তঙাই ফদবা লৈ।

**--সাউন্দ রঞ্জন--**

থৌরম অদু মনিপুর সরকারগী হকশেল বিভাগকী ফুদ সেফতি এদমিনিস্ত্রেসন অমসুং সেন্ত্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভার্সিতিগী কলেজ ওফ ফুদ তেকোলোজি অনিনা পুন্না শিনবনি। ফুদ সেফতি - প্রিপিয়র ফোর দা এনএক্সপেক্তেদ হায়বা থিমদা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা হেলথ সার্ভিসেস মনিপুরগী দাইরেক্তর ডা:ও. সনাহনবি দেবী , কলেজ ওফ ফুদ তেকোলোজিগী দিন প্রোফেসর এন.জি ইবোয়াইমা সিংহ য়াওনা অতৈ মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা --**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**তোবেকো(এল)ঃ** লৈবাক অসিগী রাজ্যশিংগী মনুংদা মনিপুরনা হিদাক মনা খ্বাইদগী শিজিন্নবা ৩ শুবা রাজ্য ওইরে। হিদাক মনা শিজিন্নবা হন্থহন্নবগী থৌরাং ওইনা রিমস দেন্তেল কলেজতা তোবেকো সেসেসন সেন্তর অমা ঙসি হাংদোকখ্রে। সেন্তর অসি ঙসি রিমসকী জল্লি হোলদা পাঙথোকখিবা নেসনেল পব্লিক হেলথ দেন্তিসত্রি দেগী থৌরমগা মরী লৈননা হাংদোকখিবনি। য়ুতিলাইজিং বিহেবরেল সাইন্সেস টু প্রোমোট ওরেল হেলথ হায়বা হিরমদা থৌরম অদু রিমসকী দেন্তেল কলেজকী দিপার্টমেন্ত ওফ পব্লিক হেলথ দেন্তিসত্রিনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হকশেল অমদি য়াহফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়গী ইর্ম্রজেন্সি মেদিকেল রিলিফকী দিরেক্তর ডা: এল. স্বাতিচরাননা হায়- গ্লোবেল এদলট তোবেকো সার্ভেগী মতুং ইন্না মনিপুরনা ভারতকী রাজ্যশিংগী মনুংদা হিদাক মনা খ্বাইদগী শিজিন্নবা ৩ শুবা রাজ্য ওইরে। মসিগীদমক তোবেকো সেসেসন সেন্তর অসি হাংদুনা হিদাক মনা শিজিন্নবা হন্থনবা পান্দম থল্লি। মহাকা হায়-হিদাক মনা শিজিন্নবনা কেন্সর য়াওনা অরুবা লায়না কয়া থোক্লকপা য়াই। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবিগনু হায়না আপিল তৌখি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ তোবেকো--**

দ্রগ(এল)ঃ রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ঙসি ইন্তরনেসনেল দে এগেনস্ত দ্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। নোনে জিলাগী তেঙকোঞ্জাং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা নুমিৎ অসিগা মরীলৈননা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল পেন্তিং কম্পীতিসন অমা পাঙথোকখি। কম্পীতিসন অদু স্তোপ স্তিকমা এন্দ দিক্রিমিনেসন, স্ত্রেংথন প্রিভেন্সন হায়বা হিরমদা পাঙথোকপনি।

**থৌবাল(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী সঙ্গাই য়ুমফম পার্ট ৱান সাবল লৈকায়দা মীওই অমগী অশিবা হকচাং লৈরম্লে। লৈখিদ্রবা মীওই অদু খাঙ্গবোক পাট-টু মোইরাংপুরেল লৈকায়দগীনি হায়রি। ইমুং মনুংদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না মীওই অসি রাজ্য অসিদা ইরাং থোরকপদগী খুল ঙাকপা চৎখিবনি। ঙরাং খক য়ুমগী লৌ-শিং শুগনি হায়না লাকপনি হায়রি। অশিবা হকচাং অদু জেনিমস মোর্গতা থমখিবগা লোয়নননা মীশি অসিগী মতাংদা থৌবাল পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

**অন্সম (এল)ঃ** ওল নাগা ষ্টুদেন্স এসোসিয়েসন মনিপুর (অন্সম)না ১১ রক শুবা রিমেম্বরেন্স দে পালন তৌখ্রে। থৌরম অদু চান্দেলগী কোমলাথাবিদা লৈবা অন্সম মেমোরিয়েল পার্ক্তা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা নাগা হোহোগী প্রসিদেন্ত সুলান্থুং লোহা শরুক য়াখিবগা লোয়নননা নাগা ষ্টুদেন্স ফেদরেসন,য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল, নাগা ৱিমেন য়ুনিয়ন, নাগা মাদরস এসোসিয়েসন অমসুং নাগা পিপলস হ্যুমেন ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মীহুৎশিং শরুক য়াদুনা ৱা ঙাংখি।

**দে(এল)ঃ** পিছ এন্দ ফ্রিদম একাদমি থৌবালনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ত দেগী শরুক অমা ওইনা ঙসি একাদমি অসিগী কমপ্লেক্সতা উ-চারা কয়া থাখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভার্সিতি লো কজেল এলমনাই এসোসিয়েসনগী চিয়রমেন এন.জি নোংয়াইনা হায়- মহৌশাগী খল কায়থরকপা অসি ময়োকনবা মতমগা চুন্নবা রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ত পোলিসি শেম্বা তঙাই ফদে অমদি কুম্বি কালেন নাইদনা মথৌ তোবা ইকোলোজি টাস্ক ফোর্স অমা শেমগৎপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়খি ।

**থৌবাল(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা শামরাম লৌখোং মখাদা শাবা লৌসি কেনেলগী সাইফোন অমা ঈশিং যুবদগী লৌমীশিংদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োকরে হায়রি।

রাজ্য সরকারগী ৱাটর রিছোর্সেস বিভাগ য়াওনা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংবিয়ু হায়না লৌমীশিংনা পুকিং চিংশিল্লক্লি। সামরামদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা খোংজোম আইদেল ক্লবকী ৱাঙাংলোই মুতুম কান্তনা হায়- সাইফোন অসি কায়বনা সামরাম, চিংথাম, তেন্থা অমদি তোঙান তোঙানবা খোংজোমগী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা মফম কয়া ঈশিং ফংদবনা লৌ পানবা য়াদ্রে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবিয়ু হায়রি ।

## --অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---

**পি.এমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি -গ্যান লৌশিংতনা ভারতপু ইং ২০৪৭ তা মপুং ফানা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। বিহারগী রাজগিরদা লৈবা নালনন্দা য়ুনিভার্সিতিগী সুসমা স্বারাজ ওদিতোরিয়মদা মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকী মহৈমশিং তম্বগী ফীভম হেন্না ফগৎহন্দুনা লৌশিংগী পুকৈ হেনগৎহল্লবা মতমদা লৈবাক অসি মালেমগী সুপর পাৱর ওইবা ঙমগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি বিহারগী নালনন্দা য়ুনিভার্সিতিগী অনৌবা কেম্পস শঙ্গাখি। মহাকা হায়- নালনন্দা য়ুনিভার্সিতি অসি লৈবাক অসিগী চৎনবি অমসুং মালেমদা মশক তাকপগী অচৌবা খুদম অমনি। মহাকা হায়- মহাক্কী সরকারনা লৈবক অসিগী নাৎ অমদি চৎনবিশিং য়োকখৎতুনা চাউখৎপা অমদি অকোয়বগী ফীভম ঙাকবা পুন্না হোৎনরি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ইন্তরনেসনেল সোল্লর এলাইন্স অসি য় য়োকখৎন্নবগী খোংথাং পায়খৎলি।

থৌরম অদুদা মপান থৌরম মন্ত্রি ডা:এস.জয়শঙ্কর,রাজ্যপাল রাজেন্দ্র অলেকর , মুখ্য মন্ত্রি নিতিস কুমার অমদি উপ মুখ্য মন্ত্রিশিং সমরাট চৌধুরি অমসুং বিজয় সিনহা য়াওনা লৈবাক ১৭ কী এম্বেসেদরশিং শরুক য়াখি।

**পিএম-সিকলঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- সরকার অসিনা অনৌবা তেকোলোজি শিজিন্দুনা সিকল সেল লায়না মুথৎন্নবা কন্না হোৎনরি। মালেমগী সিকল সেলগী নুমিৎকা মরী লৈননা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোস্তা অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মমাং চহিদা কেন্দ্র সরকারনা নেসনেল সিকল সেল এনিমিয়া ইলিমিনেসন মীসন হৌদোক্তুনা লায়না অসিগী মরমদা মীয়ামদা খঙহন্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি নদ্দনা হায়- সরকারনা লায়না অসি ঙন্না খঙদোক্তুনা লায়েং চথনবা অমদি নারবা মীওইশিংগী পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহন্নবা সরকারনা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

মধ্য প্রদেশকী দিন্দোরিদা ঙসি পাঙথোকপা নুমিৎ পালন থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা উপ রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনকরনা হায়- ইং ২০৪৭ তা ভারতনা নিংতম্বগী চহি ১০০ মপুং ফারকপদা লৈবাক অসি সিকল সেল লায়না লৈতবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদগী লায়না অসি মপুং ফানা মুথৎপা ঙমনবা অসুমান কার্দতা লায়না অসিদগী লায়েংনবা খুদোংচাবা য়াওরি ।

**অসাম ঃ** অসামগী মফম কয়াদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। রাজ্য অসিগী জিলা ১৫ গী মীওই লাখ ১ মখায় হেন্না ঈচাউগী অৱাবা ময়োকরি। ঙরাং নুমিদাং করিমগঞ্জ জিলাদা চীং নিংখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৫ লৈখিদ্রে। জিলা অসিগী স্কুল পুমমক হয়েং ফাওবা ছুতি ওইগনি।

গুৱাহাতি সহরদসু ঈশিং থুমজিনবদগী মীয়ামা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে। ঈশিং ঈচাউ অসিনা মরম ওইরগা লন্বীগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

অমরোমদা, ঈচাউনলা অৱাবা তারবা সিক্কিমদা মী কনবা অমসুং তেংবাংবগী থবক মপুং ফানা চথরি। রাজ্য অসিগী মানগান জিলাগী লাচুং অমসুং চুংথাংদা ঈচাউ অসিনা হেন্না অৱাবা ময়োকহল্লি।

ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা লম কোয়বা মীওই লিশিং ১,৩০০ রোম শাফগদবা মফমশিংদা ঙরাং থাংদোকখ্রে। মখা তানা লম কোয়বশিং থাংদোকপগী থবকসু হৌজিক মখা চত্থরি।

**অরুনচলঃ** অরুনাচল প্রদেশতা হৌখিবা নুমিৎ খরানি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী মেট দিপার্টমেন্তনা রেদ এলর্ট লাউথোকখ্রে। রেদ এলর্ট লাউথোকখিবা জিলাশিং অদুদি ইষ্ট কামেং, পাপুম পারে অমসুং লৌৱর দিবাং ভেল্লিনি।

রাজ্য অসিগী জিলা ৯ দসু ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখ্রে অমদি লেমহৌরিবা জিলাশিংদনা য়েলো এলর্ট লাউথোকখ্রে। ঈচাউ অসিনা মরম ওইরগা নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৪১৫ কী করশিংগা লম্বী চেন্থখিবদগী গাড়ি চৎথোক চৎশিন্দা চাউনা অপনবা থোক্লে। ফীভম অসিগী য়েংলগা ইতানাগর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসননা নিরজলিদগী বন্দিদাৱা ফাওবগী নেসনেল হায়ৱে থীংজিনখ্রে। লম্বী অসি শেজিনবা লোইদ্রিবা ফাওবা গুমতোর লম্বীদা চৎননবা খঙহল্লি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

২)  ৱার্কস মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়- রাজ্য অসিগী ইরাং থোক্কনবনি হায়বা মফম ৫৫ রোমদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থমদুনা ইরাং লাকশিন্নবা হোৎনরি।

২)  রাজ্য অসিগী ৱাখলোন মান্নবা রাজনিতি দল ১০ গী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নদুনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

৩)  হকশেলগী মন্ত্রি ডা: সাপম রঞ্জননা হায়রি--লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিংদা হকচাংদা অমাংবা পীবা রাসাইনগী হারশিং শিজিন্নব্র হায়বদু য়েংশিনবগী তঙাই ফদবা লৈ।

৪)  লৈবাক অসিগী রাজ্যশিংগী মনুংদা মনিপ্রনা হিদাক মনা খ্বাইদগী শিজিন্নবা ৩ শুবা রাজ্য ওইরে।

**অমসুং**

৫)  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি -গ্যান লৌশিংতনা ভারতপু ইং ২০৪৭ তা মপুং ফানা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

**--- পাউ লোইজরে---**